# মমাংগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিক মায়পাকখ্রে, লিভরপুল, রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিসু থোইবা ঙমখ্রে, এটলেটিকো মাদ্রিদ দ্রো চৎখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): কুমজা ২০১৯-২০গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকনা কুমজা ২০২০-২১গী টুর্নামেন্টতা মখোয়গী গ্রুপ মেটচ মায়পাকখ্রে। ইংলেন্দগী প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিসু মখোয় মখোয়গী মেটচ থোইবা ঙমখ্রে। স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদসু মায়পাকখ্রে অদুবু লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদ দ্রো চৎখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব রেদ বুল সালজবর্গনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অহুমশুবা মেটচতা চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৬-২দা থোইবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু সালজবর্গকী মায়কৈদগী মর্জিম বেরিসানা ৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। য়ুরোপিয়ন প্লেয়রগী মনা ফংখ্রবা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা ২১শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। ৪৪শুবা মিনটতা ম্যুনিক্কী রাসমুস কৃষ্টেন্সেননা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা সালজবর্গকী মায়কৈদগী মসায়া উকুগাৱানা ৬৬শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মদুগী মখা তারকপদি ম্যুনিককী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ মরী-মরী চনশিনখি। জেরোম বোটেং, লিরোই সেন, রোবর্ট লিৱান্দোস্কি অমসুং লুকাস ফর্নান্দেজনা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং রসিয়াগী লোকোমোটিভ মোস্কো পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। ম্যুনিকনা পোইন্ট ৯ ফংলগা নোক আউট সেরিজকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ দিদা ইংলেন্দগী লিভরপুলনা ইটালিগী অটলান্টা ফুটবোল ক্লবপু ৫-০দা থোইবা ঙমখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী দাইওগো জোটানা হেটট্রিক চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল ৩ অদু অহানবা হাফতা ২ অমসুং অনীশুবা হাফতা অমা চনখি। টিম অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল ২ অদুনা মহমদ সালা অমসুং সাদিও মেননা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা গ্রুপ সীদা গ্রিসকী ক্লব ওলেম্পিয়াকোসপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপদা অহুম্মক মায় পাক্লগা গ্রুপ অদুগী পোইন্ট টেবলদা ৯ ফংলগা মাংজিল থারি। মেটচ অদুগী হৌরকপা ১২শুবা মিনটতা ফেরান টোরেজনা পাঞ্জল ১ চনখি। মদুগী মতুং মেটচকী অনীশুবা হাফ লোইরমদা ইদা গেব্রিএল জিজস অমসুং জোৱা কেন্সেলোনা মথংশিংনা ৮১শুবা অমসুং ৯০শুবা মিনটতা চনখিবনি।

গ্রুপ সীগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পোর্টুগালগী পোর্টো ক্লবনা ফ্রান্সকী মার্সিএল ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। মেটচকী ৪শুবা মিনটতা পোর্টোগী মায়কৈদগী মারেগানা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। ২৮শুবা মিনটতা টিমমেট ওলিভৈরানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি। অদুগা ৬৯শুবা মিনটতা অতোপ্পা শান্নরোয় দিয়াজনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

গ্রুপবিদা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদনা ইটালিগী ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি। মেটচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা রিয়াল মাদ্রিদনা ২-১দা মাংজিল থারম্লবা মতুং ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী ৬৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। দ্রো চৎলম্লগদবা মেটচ অদু রিয়াল মাদ্রিদকী রোদ্রিগোনা ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

গ্রুপ অসিগী ওইনা জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লাবাকনা ঙরাং শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা য়ুক্রেনগী সাক্তর দোনেক্সপু পাঞ্জল ৬-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

# এ ঐচ এফনা হোকি ইন্দিয়াগী কোচ অমসুং ওফিসলশিংগী ৱর্কশোপ পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): এসিয়ন হোকি ফেদরেসন (এ ঐচ এফ)না অখন্ননা হোকিইন্দিয়াগী কোচ অমসুং টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী ওইবা ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ অমা পাঙথোক্লগনি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা থাখরদসু হোকিইন্দিয়াগী কোচশিং, টেক্নিকেল ওফিসলশিং অমদি অম্পায়রশিংগী ওইবা ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবনি। চৎলিবা থা অসিদসু কোচ অমসুং অম্পায়র ১৫দগীনা ৩০ ফাওবা য়াওবা এ ঐচ এফ ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ অনী পাঙথোক্কদৌরি।

ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ অসিনা কোচশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংদা হোকি মশান্না অসিগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা এটেক অমসুং দিফেন্দ তৌবগী অনৌবা লৌশিং কয়া পীগদৌরি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্কশোপ অসি শরুক য়াগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংগী ওইনা শেল অমত্তা তিংলোই। মখোয়গী ওইনা মাইক্রোসোফ্ট টিমস এপ্লিকেসনগী খূথাংদা পুং ৩দগীনা ৪ ফাওবগী সেসনশিং শরুক য়াগদৌরিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা হোকি ইন্দিয়াগী ওফিসিএটিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা নিংঙোম্বম গ্যানেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, এ ঐচ এফ ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ অসি হোকি ইন্দিয়াগীদি য়াম্না লাইবক ফবা খূদোংচাবা অমা ফংলিবনি। মখোয়না মতমবু নীংথিনা শীজিন্নদুনা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা হান্না লৈরম্বা লৌশিংদগী অহেনবা কয়া অমসু হাপচিনবা ঙমখি হায়রি।

লৈবাক অসিদা শান্নবগী থবক থৌরমশিং মখা চখবা হৌরক্লবনিনা ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপ অসিদগী কান্নবা ফংলবা লৈবাক অসিগী কোচশিং, টেক্নিকেল ওফিসলশিং অমদি অম্পায়রশিংগী মায়কৈদগী হান্না উরমদবা অহোংবা কয়া অমা লৈরগনি হায়খি।

এসিয়ন হোকি ফেদরেসনগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওইরিবা অমদি ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী দিভলপমেন্ট এন্দ এদ্যুকেসন কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা দাটো টায়ব ইক্রমনা ফোঙদোকখিবদা, কোচশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা ওনলাইন এদ্যুকেসন ৱর্কশোপশিং অসিদা শরুক য়াদুনা অনৌবা হীরম কয়া খঙনিংবগী ৱাখল্লোন অদুথাগৎনিংঙাইনি হায়খি। থা অসিগী ৭তা এ ঐচ এফনা এসিয়াগী হোকিশান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা ক্লব দিভলপমেন্ট এন্দ মেনেজমেন্টকী মতাংদসু ৱর্কশোপ পাঙথোক্কদৌরি।

# ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা পেরিস মাষ্টরসকী দবল্‌সতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা পাঙথোকপা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবল্‌সকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানানা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মরাককা প্যের ওইদুনা শান্নরকপদা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

বোপানা অমসুং মরাকনা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী প্যের এন কাসিক অমদি দি লাজোবিচপু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা সেট ২-০দা থোইখি। অহানবা সেট গেম ১০ ফাওবা ৫-৫দা লৈরম্বদগী মখোয় অনীনা থংনবা গেম অনী থোইদুনা ৭-৫দা থোইখি।

অনীশুবা সেট হান্নদগী লম্বা হেনগৎলকখি। গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৬-৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী প্যের অদুনা পোইন্ট ৮-৬তা থোইদুনা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখিবনি। মখোয়না অনীশুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী জুলিয়ন রোজর অমসুং ফ্রান্সকী এফ মার্টিনগা লম্বা তৌনগনি। মেটচ অদু মায় পাক্লবদি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টিপানোস সীসীপাস ফ্রান্সকী শান্নরোয় য়ু হম্বর্টকী মখূৎতা অনীশুবা রাউন্দ মায়থীহৌরে। হম্বর্টনা অহানবা সেট অদু ৭-৬ (৭-৪)দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুনা সীসীপাসনা ৭-৬ (৮-৬)তা থোইরগা অহুমশুবা সেট অদু হম্বর্টনা ৭-৬ (৭-৩)দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ অর্জেন্টিনা মচা দিএগো স্বার্মেননা ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কিবু ৭-৫, ৬-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোয় বি বোঞ্জিবু ৬-৪, ৬-৪দা থোইরম্বা স্পেনগী দাবিদোবিচ ফোকিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

৮শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় এন গোম্বোজকী মখূৎতা মায়থীহৌখি। অহানবা সেট গোম্বোজনা ৬-৪দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুসু গোম্বোজনা ৭-৬ (৮-৬)তা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি। মহাক্না জর্মনিগী ষ্ট্রুপপু ৭-৬ (৭-৩), ৬-২দা থোইরম্বা স্পেনগী কারিনো বুষ্টাগা শান্নরগনি।

# ভিরাট অমসুং রোহিটনা মকোক থোংলি





দুবাই, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি অমসুং রোহিট শর্ম্মনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনলগী বেটসমেনশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা মখোয় অনীনা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেম শীনবা থুংনা চৈথেং পীরকপা মরম্না শান্নবগী থবক থৌরমশিং মতম শাংনা লেপ্প্লুরবনি। মখোয় অনী চহী অসিগী মার্চ থাদগী অথিংবা লাকখিবা অদুনা ইন্টরনেসনল ৱান দে মেটচ অমত্তা শান্নবা ঙমদ্রি। অদুবু মখোয়না হান্না ফংখিবা, ভিরাট কোহলিগী পোইন্ট ৮৭১ অমসুং রোহিটকী ৮৫৫ অদুনা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লিবনি। পাকিস্থানগী বেটসমেন বাবর আজমনা অহুমশুবা পোজি-সনদা লৈরি।

বোলিংগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী বোলর জস্প্রিট বুম্রানা পোইন্ট ৭১৯ ফংলগা অনীশুবা পোজি-সনদা লৈরি। কাঙলূপ অসিগী অহানবা পোজিসনদা লৈরিবা ন্যু জিলেন্দগী ট্রেন্দ বোল্টতগী বুম্রানা শুপ্নগী পোইন্ট ৩ খক্তমক হন্থরগা লৈরিবনি।

# অরানবা খেলো ইন্দিয়া এদভর্টিজমেন্টকী মতাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা থিজিন্নবা হায়খ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): মথং চহীদা হরিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া গেমসকী অরানবা এদভর্টিজমেন্ট অমনা শান্নরোয় কয়াদগী শেল খোমগৎলে হায়বগী মতাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা এফ আই আর লোদ্‌জ তৌদুনা হীরম অসিগী মতাংদা অথুবদা থিগৎপীনবা হায়খ্রে।

এদভর্টিজমেন্ট অদুনা খেলো ইন্দিয়া কেম্পতা মিং চন্নবগীদমক লুপা লিশিং ৬কী শেনফম দিপোজিট তৌনবা খঙহল্লকখি। লোয়নননা ট্রাইয়ল তৌরবা মতুংদা খেলো ইন্দিয়া গেমস শরুক য়াবা য়াগনি হায়না ফোঙদোরকখি। হায়রিবা এদভর্টিজমেন্ট অদুদা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং খেলো ইন্দিয়াগী লোগোশিং য়াওরকপনা মরম ওইরগা শান্নরোয় কয়ানা লৈঙাক্কী এদভর্টিজমেন্টনি খন্দুনা শেল পীশিনবা কয়া য়াওনখ্রে হায়রি।

এদভর্টিজমেন্ট অদুদা ফোন নম্বর অমা য়াওরকখি। লোয়নননা এস এ আইনা মীওই অদুগী বেঙ্ক একাউন্টগী অকুপ্পশিং খঙবা ঙমখি। মীওই অদু আগ্রাদা লৈবনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা এস এ আইনা উত্তর প্রদেশ পুলিসতা এফ আই আর অমা লোদ্‌জ তৌখিবনি হায়রি। অদুগা অথুবদা থিগৎপীনবা হায়খি। খেলো ইন্দিয়া গেম অসি লৈবাক অসিগী লৈঙাক্না গ্রাসরুটতা লৈবা অফবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং মশক খঙদোক্লবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অমনি। মসি লৈঙাক্কী স্কিমনি। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবদা শেল পীবগী মথৌ তাদে। লোয়নননা এস এ আই নৎত্রগা খেলো ইন্দিয়ানা ট্রাইয়ল চথবসু লৈতে। শান্নরোয়শিংনা স্কুল গেমস নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটি গেমসতা ফজরকপগী মতুংইন্না শরুক য়াগদৌরিবনি।




HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

# ইন্দিয়ন এরোজগী শান্নরোয় কয়া আই এস এল য়াওনবা হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী দিভলপমেন্টেল ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন এরোজ টিম অসিদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া গোৱাদা থা অসিগী ২০দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা কন্না হোৎনরি।

শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা আই লীগতা ইন্দিয়ন এরোজগী মায়কৈদগী মেটচ ২৭ শান্নবা ঙমখ্রবা লোয়নননা পাঞ্জল ৫সু চনবা ঙমখিবা বিক্রম প্রতাপ সিংহ য়াওরি। মহাক আই এস এলগী টিম মুম্বাই সিটি এফ সীগা খূৎয়েক পীনদুনা হন্দক্কী সিজন অসিদা টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্ননবা কন্না হোৎনরিবনি।

পনবা য়াবদি, বিক্রমনা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা এ এফ সী য়ু-১৬ ফুটবোল চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌহনবদা মহাক্না লুচিংখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ন এরোজনা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংগী য়াম্না মতীক চাবা প্লেটফোর্ম অমা পীবা ঙল্লি।

অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা য়াওরিবা অমনা অকাশ মিশ্রানি। মহাকসু ইন্দিয়ন এরোজগী টিমদা কুমজা ২০১৯-২০গী সিজনদা পূন্না মেটচ ২৩ শান্নবা ঙমখি। মহাক সিজন অসিদা হায়দরবাদ এফ সীদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ য়াওনননবা কন্না প্রেক্টিস চথরি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অদুদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ফোরেন অমসুং ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়া অদুনা অচৌবা মতেং ওইদুনা মহাক্না শান্নরকপা মতমদসু কান্নবা কয়া অমা ফংবা ঙল্লগনি হায়খি।

ক্লব অসিদা অতোপ্পা ইন্দিয়ন এরোজকী শান্নরোয় রোহিট দানুসু য়াওরি। মহাকসু এ আই এফ এফকী এক্সপরিমেন্টেল টিম অদুগী মায়কৈদগী আই লীগতা মেটচ ২১ শান্নবদা মশাগী চহী খ্বাইদগী নৌনা লীগ অদুগী পুৱারীদা মহাক্না চহী ১৬ থা ৫ অমসুং নুমীৎ ২৭নি শুবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা শান্নরোয় ওইরি। মহাকসু অকাশ মিশ্রাগা লোয়নননা ট্রেনিং চথরি।




HL-B/5723/5

# এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ থা অসিগী ১৫দগী হৌরগনি

সিওল, নবেম্বর ০৪(এজেন্সী): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়েথোক্লুরবা এ এফ সী (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন) চেম্পিয়ন্স লীগ নবেম্বর ১৫দগী কটারদা হৌরগনি। জপান, সাউথ কোরিয়া, চাইনা, মালেসিয়া, থাইলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী টিম ১৬না মখা তানা শান্নবা হৌগদৌরিবনি। ইষ্টর্ন জোন অমসুং ৱেষ্টর্ন জোন হায়না খায়দোক্তুনা চথরকপদা ৱেষ্টর্ন জোনগীদি চেম্পিয়ন লৈখ্রবনি। ইষ্টর্ন জোনগী চেম্পিয়ন অদুগা দিসেম্বর ১৭দা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।




HL/B/6497/3/11-31/12

## RaDiant Group - Manpower Requirements

Date of interview 7th November 2020 at 10:30am

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -1:30 pm

Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|
| RaDiant Group, Corporate | HR Associate | 0-2 yrs. exp. HR Management | MBA in HRM | 7K-10K |
| RaDiant Group, Corporate | Audit Assistant | 0-2 yrs. exp. in Internal Auditing | Graduate and above | 7K-10K |
| RaDiant Group, Corporate | Office Assistant | 0-2 yrs. exp. | Graduate and above | 6K-8K |
| RaDiant Group, Corporate | Driver | 2-3 yrs. exp. in driving | 7th pass and above | 5K-7K |
| Maion RaDiant Nidhi Ltd. | Accountant | 1-3 yrs. exp. in Accountancy, annual report, balance sheet preparation and financial position of the company | B. Com./M.Com | Negotiable |
| RaDiant Group Finance and Accounts Unit | Manager | 1-2 yrs. exp. in Banking | MBA Finance | 10K-15K |
| RD Grafix | Operation Head | 2-3 yrs. exp. in administration and operation | Graduate and above, preference will be given to multimedia certified | Negotiable |
| RaDiant E-Ride, HO | Operation Head | 2-3 yrs. exp. in administration and operation in automobile sector | Graduate and above | Negotiable |
| RaDiant E-Ride, Thoubal Branch | Associate Branch Manager | 2-3 yrs. exp. in sales in an Automobile sector | Graduate and above | 7K-10K |
| RaDiant E-Ride, Thoubal Branch | Sales Executive | 0-1 yrs. exp. in sales | Graduate and above | 6K-7K |
| RaDiant Finance, Moirang | Branch Manager | 2-3 yrs. exp. in Microfinance | Graduate and above | 8K-15K |
| RaDiant Finance, Thoubal | Relationship Officer | 0-2 yrs. exp. in the same field | 10+2 and above | 6K-7K |
| RaDiant Fitness | Associate Manager | 1-2 yrs. exp. in administration in fitness sector | Graduate and above | 7K-10K |
| RaDiant Fitness | Chef | 2-3 yrs. exp. in south Indian cuisine | N/A | Negotiable |
| Grihan | Driver | 2-3 yrs. exp. in driving | 7th pass and above | 6K-7K |
| Hefo Organa Valley Pt. Ltd. | Poultry Assistant | 0-2 yrs. exp. in the related field | 10+2 and above | 6K-7K |
| Hefo Store | Store Assistant | 0-2 yrs. exp. in Store keeping and maintenance | 10+2 and above | 6K-7K |

HL-B/6504/4,5&6

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com